# শজিবু চৈরাওবা য়াওবী লৈ চীংমায় ঙানবী য়াইপন লৈরাংগী নুংওন শৈথারোল

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

অঙাং ওইরিঙৈদনি, শুংচা হেক চানীংদবা এঙ্গাং মথেল খরগী মনুংদা য়াইপনসু অমা ওইরম্মী। য়াওশঙ ফি মুল্লুবগী হঞ্জিল্লকপদা য়াইপন থোংলল্লবা প্রোক-প্রোক চাকপীনি। শজিবু চৈরাওবদসু য়াইপন য়াওদবা য়াদবী মওং অমা লৈবদু করি থোকএনা তৌজশারিনো হায়বগী থাক্তু য়ৌবনি। করিগীনো খঙদে শক-চু অসুক য়াম্না চঙখোনখ্রবী য়াইপনসে লোন্নবীদু মঙায় নুংশিদবসি। কমদৌনা কাঙলকখিবা নুংশিৎনো খঙদে, য়ুম পান্দুনা ইচা লৈরবা মতুংদনি য়াইপন্না খঙহাও হাওরকখিবদু। পাক্লম নল্লে অদুম মহাউই, খূবী চিকখায়দেদা খাকই। বোরা, ইরোনবা, থোংবা পঙহাওদা হাওরে। য়াইপনবু য়াম্না পামখৎলকপা, কৈথেলদা য়াইপন উবগা ফংহৌরোই মতাগুম্না তাপ হেক্তমক লাকপী, মমলকা তপ্না ঙাঙনবগী থাক য়ৌরকপদনি য়াইপন্না হকচাংদা পীরিবা কান্নবা ময়াম অমা শীংথাদুনা পাউচেদা ইরকখি। মদুদৈ চাখৎপা য়াইপনসিদি। পাউচেদা ইরকখিবা মতুং ইকুই কুইদনা খংতাঙ তাঙখৎলকখি য়াইপনসু। মগুন লৈবা এঙ্গাং ওইবনা তাঙজসনু খল্লি। কুম অমগী অহানবা থোরকপদা তাঙবা খূৎতাঙদো। তাঙনা তাঙনা অদুম্মক মুন্নে। ঐখোয়গীসিদদি মরিং ইচিন ইনাওশিংনা অয়াম্বা পুরকই। মমল হুন্নবগী লাওনবসিদি। নোংমা তাঙমল্লি হায়রুবদা মরিং ইনাওনুপী অমনা খুল্লকই, "নখোয়সু হেক্লগা পুরকউ, নখোয়না হায়রিবা মমলদুদা লৈবীগে।" চোপ্তুনা অদুম মতোকই। অখাঙ কনবী লৈপাক্লে লৈরাংদৌনা য়াইপন্না কনখ্রবা লৈমায়থক্তা থিনগত্তুনা শাৎলকপগী মনুংশিদুদি থোংলগা চাগদবা ফাওবা পাম্মুবজাৎনি। য়াইপনবু থোইনা হেন্না নুংশিখিবসি *লৈরোল*দা মাগী ৱারী ৱাখোঙ শৈথাবা থেংনরুবদনি। মসিনা লৈরাং অসি অচম্বা নত্তে, মতিক ময়াই লৈবনি হায়বসি তাক্লি। চীংমী-তম্মীগী তৎঙল্লরোইদবা নুংশি মরী শাগৎপদা তেংবাংলিবা লৈরাং য়াইপন ওইরল্লে। য়াওশঙ মনুংদনি, সাহিত্য সেবা সমিটিগী চুমথাঙ চেফোঙ য়োনবা ঐখোয় খরা চৎলি। ইথা থাজদনা য়ুম অমগী হিঙ্গোন্নুংদা য়াইপন ৭/৮ লন্তক লন্তক শাৎলম্মী। কয়াদি নুংশিরুরে, মকুম মথা য়ৌরক্লে তাক্লিবোই হেক নীংই। হায়রকপগুম্মী, "চীং-তম অনীগী খেন্নবা ঐগী ইফমদা লৈতে, শাৎনীংবা মফমদা ইনিং তম্না শাৎচগে।"



য়াইপন লৈরাংগী মরমদা শৈথারিবা লৈরোল শৈথানি। মণিপুরগী মমিং লৈরবা খোংজোম পর্ব্ব শৈশকপা শৈশকপী অমোম খোংনাং অমদি নামৈরাকপম ইবেনীনা শৈথাবীরম্বা শৈরোলবু পিপল'স ম্যুজিয়ম ককচীংনা লাইরিক ওইনা পুথোকপীরকখি। শৈথাবীরম্বা লৈরাংশিংগী মরক্তা নুংওনবা মপাউ পুরিবা য়াইপন লৈরাংনি। লমতা থাগী থামৈ শজিবু থানা হৌগৎলকপদা শাৎচবীনি। তাংখুল শারম পাখংনা উনিংথৌ উ য়ানগে হায়দুনা লাক্লম্মী। তরা চাকয়োম চারবা মতুংদা মখূত্তা শীংজং পায়দুনা উরাই থারম্মী। লৈমায়দা তাখিবা উনিংথৌ মচেৎ অদুনা য়াইপন লৈরাং ওইনা শাইওনখি। লোক্লে পুল্লে মরক্তা লৈরাং অসিনা নেম্না ঙান্না শাৎলকপা মতমদা চীংগী ইচিন ইনাওশিংনা হেক্লগা শমদা হাপ্তুনা পুরক্লগা তমগী কৈথেলদা য়োল্লি। মৈতৈশিংনা লৈরগা শজিবু চৈরাওবদা কত্তুনা এঙ্গাং মথেল ওইনৈ। তাঙ্কক অমা লৈখি, কংলৈ ফম্বালদা ফম্বীনবা মতিক চাবা মীওই লৈতবদগী শামু য়াইশা থাদোক্তুনা থিহল্লম্মী। শামু য়াইশানা লাকপা লম্বীদা য়াইপন লৈরাংনা ইঙান ঙান্না শাৎলম্বদু য়াতোন্না ফূক্লগা পুরক্লম্মী। শামুনা অসুম লাকপদা চীংমীগী নিংগ্রি ফিজেৎ শেৎপা নাকন্দা পাই য়ানবা পাখং অমা মখূত্তা ৱাশাগী শাজে পায়রগা লাংশোয়বগী পাৎপন্দা নাউশেক ফারগা লৈরম্বা থেংনরম্মী। কংলৈ নিংথৌ ওইগদবা মীশক অদু ইবুধৌ পাখংবনা পীবিরে হায়দুনা শামু শয়াংথক্তা পাখং মাবু থাঙ্গত্তুনা লৈরাং য়াইপনবুনা ময়াদা হাপ্তুনা পুরক্লম্মী। শামু য়াইশানা শকখঙদবা পাখং অমগা লৈরাং অমগা পুরক্তুনা মৈতৈ লৈবাক্তা থুংলরবদা পানা মরিমক্কী মীয়াম তিন্দুনা পাখং অদুবু নিংথৌ ওইহনবদা অপাম পামদা ফোঙদোক্লদুনা খন্ন-নৈনরম্মী। মীয়ামগী চিংনবদু উবদা পাখং অদুনা হংলকখি, "ঐনা পায়রকপা ৱাশা অসিনা হৌজিক থারগা ময়োন চোংদুনা ৱা মনা শংনা পাল্লবদি নিংথৌ ওইবা মতিক চারব্রা?" অসুম্না ময়ামগী অয়াবা ফংদুনা ৱা অদু থাবদা ৱানৌ চোংদুনা ৱানানা ইশং শংলম্মী। লাইগী খুদম উবদা নিংথৌ ওইবা মতিক চারে হায়দুনা পাই য়াল্লকপগা চূননা পাইখোম্বা মিংথোন পীদুনা কংলৈ নিংথৌ হাপ্লম্মী। লৈরাং অদুবুনা য়াইশাগী মিংথাং লৌদুনা য়াইপন লৈরাং হায়না মিংথোনখি।

লৈরাং য়াইপনগী অতোপ্পা শৈথারোল ৱারী অমসু লৈরি। মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা থুপখ্রবদা মাগী মতিক ময়াই লৈরবা শামু য়াইশা অদু থাদোকখি। মৈদিংঙু পাইখোম্বসু ইবুধৌ পাখংবগী কংলা থৌগল ফংজগে হায়না লাক্লম্মী। লানশোনবীগী লমদমদা য়াইপন্না শাৎপদু উবদা লাইওইরবা শামুদো মফমদুদা লেপ্তুনা লৈখ্রে। লৈরাং শাৎফমদা চঙলগা ময়ানা লৈরাং অদু ফূক্লম্মী। শামুগী মনাতোন্না লৈরাং লৈচা শৎলগা পুরকপা উবদা য়েংবদা পূক্লিং নুংওনবা লৈকা ফন্না শাৎচরম্বা লৈরাং অদু কনাদা কৎকদৌরিবনো হায়না মৈদিংঙু পাইখোম্বনা খল্লম্মী। শামুনা মনাক্তা চঙদুনা লৈরাং অদু কৎলগা মৈদিংঙুবু মনাতোন্না য়েত্তুনা শয়াংথক্তা হাপকৎখি। মৈদিংঙুনা লৈরাং অদু খূত্তা পায়রগা সনা মিৎয়েং তারম্মী। য়েংবগী পেনবা নাইদবা লৈরাং অদু মৈদিংঙু খুঞ্জাওবগী খূনেৎশা শামু য়াইশাগী মিংথাং লৌদুনা য়াইপন হায়না মিংথোনখি। অসিগুম্লবা য়াইপন লৈরাং অসি অৱাংবা চীংদা ওঙদুনা শাৎচরুরো হায়না মৈদিংঙুনা থৌজানবীখি। মতৌ অসুম্না চীং-তম অনীমক্কী লৈহাওগা চুনরবা লৈরাং অসি লমদম অসিগী পুৱারী অমদি নাট কলচরগা শাগোন্নদুনা লৈরক্লবনি। চীং-তম অনীগী মরী চেৎশিনহনবা তমদা পোকচবী, চীংদা ওঙজবী লৈরাংনি। মসিদবু লৈরাং অসি ইচম চম্বা লৈরাংনি হায়রুবা য়ারিব্রা? মণিপুরগী চীংমায়শিং লৈরাং য়াইপন্না মনীং তম্না লৈশাৎ তল্লসনু। চীংগী ইপা ইপল ইবুং ইপ্পা খূৎহৈবশিংনা শাবা লীগী শমদা পুরক্লগা মপাম তম্পাক্লম কৈথেলগী লুকমায়দা কুমওন খুদিংগী ঙান্দুনা লৈবা ওইরসনু। নুংশি-চান্নবগী পাউজেল পুরিবা লৈরাং য়াইপন্নি। মাগী মতিক ময়াইসে ইপা ইপুশিংনা খঙলম্বনা শৈথারোলশিং অসি থম্বীরম্বনি। মীরোল খুদিংমক্তা তম্বীরম্বা মমল নাইদবা খুদোলনি। ●

# মহাত্মা জ্যোতিভা ফুলে : থৌদোক্কা মরী লৈনবা ৱাখল্লোন অমা

- অর্জুন রাম মেঘৱাল -
এম পি বিকানের অমসুং সেন্ত্রেল পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রস অমসুং হেভী ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং পব্লিক ইন্টরপ্রাইজেজগী রাজ্য মন্ত্রি, ভারত সরকার

ইন্দিয়াগী পুৱারী অসি অথোইবা মীওই কয়াগী ইথিল পীনীংঙাই ওইরবা ৱারেং কয়ানা পীক থল্লি অমদি ইচম চম্বা মীওইগী পুন্সি, খুন্নাইদুগীমক্তা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা মখোয়গী ৱাখল্লোন অমদি মীৎয়েং শানবা ৱাখল্লোন কয়া হৌজিক অমসুং তুংগী মীরোলশিং লমজিং-লমতাক্লবগী শিংথানীংঙাই ওইবা সোর্স অমনি। মসিগী পরিং অসিদা লৈবাক অসিগী ১৯শুবা চহী চাদা থোইদোকপা খুন্নাইগী য়াইফনবা তৌবা, দলিটশিংগী থাক ৱাংখৎহন্নবা অমসুং নুপীশিং মহৈ তমহন্নবা অমসুং থাক মান্নবগী অথোইবা দুট ওইরিবা মহাত্মা জ্যোতিবা ফুলেগী ১৯৪শুবা মপোক কুমওন অসিদা খুন্নাই অমদি লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্দুনা লৈবাক অসি শেমগৎপদা মহাক্না লৌরম্বা থৌদাংশিংবু পুথোক্তুনা খঙহনবা অসি হৌজিক্কী মতম অসিগা য়াম্না চুনরবা ৱাফম অমনি।

মহাত্মা জ্যোতিভা ফুলেনা মহাক্কী পুন্সি পূম্বা দলিটশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অমসুং নুপীশিংবু মহৈ তমহন্নবগীদমক্তা কখোকখি। অসুম তৌরকপনা খুন্নাই অসিদা শোক্ল-শম্নবা য়াদবা (শম্নবা য়াদবা) কাঙলূপ অমনি হায়না লৌনরম্বশিংগী ওইনা 'দলিট' হায়নবা ৱাহৈ অসি ইহান হানবা ওইনা মহাত্মা জ্যোতিভা ফুলেনা শীজিন্নবা হৌখি। মহারাষ্ট্রগী সটারদা কুমজা ১৮২৭তা মালী খুন্নাইগী ইমুংদা পোকখিবা থোইদোক্লা য়াইফনবা খনবিবা জ্যোতিভা গোবিন্দরাম ফুলে অসি দলিটশিংবু থাক ৱাংখৎনবা, নুপীশিং মহৈ তমহন্নবা, খুন্নাই অসি চাওখৎহন্নবগী ইথিল পীবা শক্তম ওইনা লৌনৈ, অদুবু মতমসিগী ওইরিবা মওং অসিদা লৌউ-শিংউবগী থবক তৌরিবা খুন্নাইসিগী ৱারবা, অদুক্কী মতিক লায়রবা অমসুং হিংনবগী পান্থে লৈজদ্রবা লৌমীশিংগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্দুনা এগ্রিকলচর রিফোর্ম তৌখিবা অসি তমজনীংঙাইনি। ফুলেনা লৌমীশিংগী ফীভম, লাইনীং-লাইশোনগী অমদি শেল-থুমগী ফীভম অসি থোইদোক্লা য়েংশিন্দুনা নৈনখি অমসুং পুসি চূপ্পা মখোয়গী অৱাবা কোকহন্নবা পান্থে থিনবা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লৈখি। মসি লৌউ-শিংউবগী থবক তৌবা খুন্নাই অসিগী মতাংদা হকচিন্না লৌবা অসিনা কুমজা ১৮৮৩দা লৌমীশিংগী শেলগী অৱাবা অসি পুৱারী ওইনা সর্ভে তৌবা অমদি য়াম্না হকচিন্না অমদি থৱায় চঙনা এনালাইসিস তৌদুনা "শোতকরয়াচা অসূদ" *(লৌমীগী হ্বীপ-কোর্দ/the cultivator's whip cord)* হায়রিবা অথোইবা লাইরিক অসি ইখি অমসুং লৌউবশিং অসি খ্বাইদগী থাক ৱাংনা ফগৎহন্নবগীদমক্তা মমল য়াল্লবা পাউতাকশিং পীখি। মসিগী লাইরিক অসিদা জ্যোতিভা ফুলেনা লৌউ-শিংউবদা মীশিং হেনগৎহনবনা পীবা শাফু, লৌউ-শিংউগী পোখোক পুথোকপগী থবক-থৌওংদা চিংথবা অমসুং খুন্নাইসিগী মওং অমসুং মীনাইগুম লৌমীশিংবু ওৎপী-নৈবীবনচিংবা অসিনা লায়রবগী মরু ওইবা মরম অহুমনি হায়রি।

চাওখৎপগী খনবা লৌমী অমগী থৌদাংসিদা মহাত্মা ফুলেনা লৌউ-শিংউ ফগৎহনবগী তঙাইফদবা অসিবু লুনা লৌদুনা পাউতাক কয়া অমা পীখি, লৌবুক্তা ঈশিং শোয়দনা ফংহন্নবগীদমক্তা পুখ্রি অমসুং দাম শাবা, শা-ষণ য়োকপদা শৌগৎপা অমদি পোখোক নিংথিনা ফংনবা হার পুথোকপা হেনগৎহনবা, শা-ষণশিংগী ওইবা লনশিং হাত্তোকপা থিংবা, এনিমেল ব্রীদিং প্রোগ্রাম তৌবা, লৌমীশিংদা শেন্দোই য়ামদনা লোন ফংহনবা, লৌমীশিংগী লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা ৱাখল-লৌশিং হেনগৎহন্নবগীদমক্তা মেলাশিং তৌবা অমদি মীরৈবাক্তগী খঙলক-উরকপশিংদগী চেঙ-চাক পুথোক্লবগী অনৌ-অনৌবা টেক্নোলোজিশিং মশক তাক্লবা মরী লৈনবা মমল য়াল্লবা পাউতাকশিং পীরমখি। লৌউ-শিংউ ফগৎহন্নবগা মরী লৈনবা পাউতাকশিং অসিদা লম অমদি লমগী মচাশিং হেনগৎহন্নবা অমদি খুন্নাই পূম্বা অমসুং লৈবাক শেমগৎপগী মতাংদা মহাত্মা ফুলেদা অনৌবা ৱাখল্লোনশিং লৈবা উই।

লৌমীশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক্তা লৈঙাক্কী থৌদাংশিং অসি হেন্না পাকথোক-শন্দোক্লা হায়রিবা অদুদা লৌমীশিংদা মখোয়গী মথৌদাং অদু ঙাক্লবা ইনোৎ হাপ্পী অমদি মী-মীদুগী ওইবা ফত্তবা মওং-মতৌ অমদি ফত্তবা থবকশিং তৌবা থাদোক্তুনা অফবা তৌনবা খঙহনখি। লৈবাক অসি পোলিটিক্সকী ওইবা মওংদা মীনাই-নাইথাংগা লোয়ন-লোয়ননা খুন্নাই অসি মীনাই-নাইথাংদা লৈরিঙৈগী মতমদা মহাত্মা ফুলেগী লোয়নবী সাবিত্রি বাই ফুলেনা মহৈ তম্বগী মরু ওইবা অসি খঙখি অমসুং তোল্ল-তারবা মীওই কাঙলূপ অমসুং লৌউ-শিংউবগী থবক তৌরিবা নুপীশিংগী মহৈ-মশীন, হকশেল, থৌনা-পাঙ্গল হাপকৎপা অমদি হিংবগী পান্থে লৈহনবদা মহাক্কী মথৌদাং অদু নিংথিনা তাশিন-খোমজিনখি অমদি শাগৎখি। কুমজা ১৮৮৮গী মার্চ ২দা মহাত্মা ফুলেগী মরুপ হরী রাৱজী চিপলুনকরনা ইংলেন্দগী মহারানী ভিক্টোরিয়াগী মচানুপা দ্যুক ওফ কোনাটকী পুনাদা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবা মতমদা লাক্লবা চেবাউ পীরকখিবা মহাত্মা ফুলেনা নাটকী ওইবা ফিজোলদা ইচম-চম্না থৌরম অদু য়াওখিরম্মী, অদুবু থৌরম অসিদা অপনবা অমত্তা য়াওদনা ইংলিসতা ঙাঙখিবা মহাক্কী পুৱারীগী ওইরবা ৱাফম অদুনা লৌমীশিংদা থৌনা হাপ্পীবা অমদি মীওইবগী য়াইফনবা তৌবগী মীৎয়েং অদু উবা ফংহনবগা লোয়ন-লোয়ননা অংগ্রেজীনা পানবগী মওং অদুদা শিংনবা ওইখি। মহাক্না হায়খি *"থৌরম অসিদা লেংবীরক্লিবশিংগী মমল য়াল্লবা ফীরোল অমদি অরংবা হীরাশিং য়েংবদা ইন্দিয়া অসি য়াম্না হরাওবা অমদি নুংঙাইবা লৈবাক অমনি হায়না লৌগনি অদুবু অশেংবদি মসিদগী তোঙানবা অমনি… করিগুম্বা নিংথৌ মচাশিংনা অশেংবা ভারত অসি শেংনা উনীংলবা অমদি মহারানিদা অশেংবা পাউ তমগে হায়রগদি অনকপা খুঙ্গং খরা চত্তুনা লাইরিক হৈতবা মীওইশিংগী নুংঙাইতবা ফীভম অমসুং অৱাবশিং অদু হকথেংননা য়েংবীগদবনি।"*

ইন্দিয়া লৈবাক অসিদা লৌউ-শিংউ অসি মমাঙঙৈদগী হৌনা খুঙ্গংগী শেন্মীৎলোনগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইদুনা লাক্লি। ডা. ভীমরাও অম্বেদকর, মহাত্মা গান্ধী, সরদার ভল্লভ ভাই পটেল, লাল বহাদুর শাস্ত্রী, চৌধরী সিংহ, বাবু জগজীবন রাম, চৌধরী দেবী লাল, শরদ জোশীগুম্বা অথোইবা নুপাশিং অমদি লুচিংবশিংনা লৌউ-শিংউবা অসি ফগৎহন্নবা অমদি য়াইফহন্নবগীদমক্তা মরু ওইবা থৌদাং লৌবিরম্মী অমদি মহাত্মা ফুলেগী লৌউ-শিংউবগী খনবিরম্বশিং য়াওরি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন শেন্বীরম্বা অমসুং ইন্দিয়াদা দলিতকী ফীভম ফগৎহন্নবগী অথোইবা ৱাঙাংলোই ডা. ভীমরাও অম্বেদকরগী পুন্সিদসু মহাত্মা ফুলেগী ৱাখল্লোনশিং অদুক্কী মতিক মমি তারি অমদি মশাগী ওইজবা মওংদা মহাক্না মহাত্মা ফুলেবু লৌশিনখি। লৌউ-শিংউগী লম্দা কোলোনিএলিজমগী লৈঙাক্কী অশোনবা চৎন-পথাপশিং অমদি য়াম্না শাথীনা অৱাবা তারিঙৈগী মতমদগী ফগৎলক্লবগীদমক্তা দিকেদ হুম্স্ফুদা গ্রীন রেভল্যুসন অসি চৎনবা হৌহনখি, মসিগী মহয়না লৈবাক অসি চানবা পোৎলমশিংগী লম্দা মীপান তাংদবা ঙমখি অমদি লৌউ-শিংউগী লম্দা মেছিনাইজেসন অমসুং টেক্নোলোজিসু হেনগৎলকখি। হৌখিবা দিকেদ খরগী মতমদা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবদা মেনুফেকচরিং অমসুং সর্ভিসকী লম্শিংদা শরুক অসি য়াঙনা হেনগৎলকপা অসিদা লৌউ-শিংউগী লম্দা শরুক য়াবা অসিদি তাথরক্লি। নীংখা তম্বা ফংলবা মতুংদা কুমজা ১৯৫০গীদিকেদতা জি দি পিদা লৌউ-শিংউবগী শরুক অসি চাদা ৫০ ওইরম্বদু ২০১৫-১৬তা লৈরম্বা ভেল্যুশিংদা মসিগী থৌদাং অসি চাদা ১৭.৫ ওইখি। হৌজিক্কী মতমগী ওইবা লৌউ-শিংউবগী লম্দা লৈবাক অসিগী মী মশীং তঙ্খাইমুক্তি লেবরফোর্সকী থবক তৌরি। লৈবাক অসিগী হেনগৎলক্লিবা মী মশীংসিগা লোয়ননা লৌউ-শিংউবগী লম অসি হন্থরক্লি।

মহাত্মা ফুলেনা লৌউ-শিংউবা অসি ফগৎহন্নবা অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফনবগা মরী লৈনবা ইথিলগী মওংদা ২০১৪গী মতুংদা প্রধান মন্ত্রি শ্রী নরেন্দ্র মোদিজিগী লিচিং খাদা লৌউ-শিংউবগী লম্দা প্রাইম মিনিষ্টর ক্রোপ ইন্সুরেন্স স্কিম, ফার্মর ক্রেদিট কার্দ, প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্মান নিধি, ৱাটর মেনেজমেন্ট, সোইল হেল্থ কার্দ, প্রাইম মিনিষ্টর ইরিগেসন স্কিম, নীম কোটেদ য়ুরিয়াগা লোয়ননা য়াম্না অফবা মরূশিং ফংহনবা অমসুং ষ্টোরেজ অমদি মার্কেটিং ইনফ্রাষ্ট্রকচর, এফ পি ও অসি ফগৎহনবা অমদি লৌমীশিংগী চাগা অসি শরুক অনী হেনগৎহন্নবগী মায়কৈদা অফবা স্কিমশিং অমসুং পুৱারীগী ওইবা লৌউ-শিংউবা অসি ফগৎহন্নবা ৱায়েল-পথাপশিং চৎনহনখ্রে। মসিগী অনৌবা মওংদা শেমদোকপীবা অমদি লৌমীশিংগী য়াইফনবগী লম্দা লন-থুম তান্নবগী মওংদা মশক থোক্লা মায় পাকপা অমা ওইরগনি।

খুন্নাই অসিদা শরা শন্না লৈরিবা ফত্তবা চৎনবীশিং, ফত্তবা থবকশিং, কাঙলূপ নাইবগী চৎনবী, শোক্ল-পন্নবা য়াদবগী চৎনবী, চাইল্ড মেরিএজনচিংবশিং অসি য়ানীংদবগী মায়োক্তা মান্নবা খুন্নাই, দলিট থাক ৱাংখৎহনবা, নুপীশিং মহৈ-মশীন তমহনবা, লুখ্রাবী লুহোংবা অসি শৌগৎপীরিবা অথোইবা নুপা মহাত্মা ফুলে অসি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈত্রে অদুবু ঙসি মহাক্কী মপোক নুমিৎনা লাকপা অসিদা মহাক্কী পর্সোনেলিটি অমসুং মহাক্কী তৌবীমল খঙবা উৎপগী মতাংদা খন্নদুনা মহাক্না তাকপীরম্বা লম্বী অমদা চৎনবগী ৱাশক অদু শকপনা মহাক্কী মফমদা তশেংনা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইগনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## চৈরাওবা নুমিত্তা চেঙহী লুজবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীতৈ খুন্নাইদা শজিবু চৈরাওবা নুমিত্তা য়ূম খুদিংদা চেঙহী লুজনরকপগী ৱারী ইপা-ইপু, ইমা-ইপানা লীবিরকই। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ ঙসিদগী চহী ২০ মুক্কী মমাঙদা চৈরাওবা নুমিত্তা ইঙ্খোল শম্বলদা হৌবা মনা-মশিংশিং, য়েনশিল অকুপ্পী, হৈক্রু, শন্থ্রে, হৈবী মনা, লাইবকঙৌ, খোঙজাই নাপি, লালুকোক, হনুরৈ, য়েমপৎ মনা, পুংথোল মনা, জুবাকুশুম, তোরোং খোঙচাক অমদি হৌনানচিংবা মখল মখা কয়াগী মনম নুংশিরবা মচলশিংগা মীতৈ চেঙগী চেঙহীগা পূন্না লৈবাক্কী চেঙহী চফুদা লোল্লগা চেঙহী লুজবদু চৈরাওবা লাকপা খুদিংগী নীংশিংলি। চেঙহীগী মনমনা লৈকায় পল্লাল্লি। পুখ্রি মপান্দা লৈকায়গী ইচে-ইনেমশিংগা চেঙহী য়েন্ন-য়েন্নদুনা লুজমিন্নবগী নুংঙাইবা ঙসিগী মীরোলগী মৌ নহা অমদি লৈশাবীশিংনা খঙলরোই। মতমদু নীংশিংলুবদা নুংশিরকই। মতমদুগী মীতৈ নুপীগী শম নিংদোল য়ৈবমখৈ শাংই। জ্বাই জ্বাই তাই। চেঙহীগী নুংশিরবা মনমনা পূক্লিং অসি খঙঈং ঈংহল্লি। চহী ৫০/৬০ শুরবা নুপা নুপী অমফাও পোক হৌনরমদে। থা অমগী নোংমা পানবদা, শগোলশেল নুমিত্তা, মৈনিং কুমবিনা য়ূম শেংবা নুমিত্তা, য়ূম শঙ্গাবদা, মপূং মরৈ ফারবী নুপী অমনা চাকখুম চঙবা য়াদবগী মঙানি শুবা নুমিত্তা অমদি চৈরাওবা নুমিৎনচিংবদা চেঙহী লুজবা মীতৈ খুন্নাইদা শোয়ফদ্রবা চৎনবী অমা ওইরম্বদুনা মালেমদা মীতৈ নুপীগী থৌনা লিংজেল অমদি অখাং কনবা উৎপদা নত্তনা ঐখোয়গী নাট-চৎনবী, সংস্কৃতিনচিংবা ঙাক্লা চৎনরম্বগী খুদমনি হায়জনীংই।

চেঙহীগী মচল অমদি চেঙগী মহীদা য়াওরিবা ত্রেদিসনেল, মেদিসনেল অমদি ইমোসনেল ওইবা ভেল্যুশিং ঙসিগী মহৈ মশীন হৈরবা খুন্নাইশিংগী নুপী ওইবীশিংনা থিজিন্দুনা খঙফম থোকই খঞ্জে। হৌজিক মতমগী কেমিকেল বেজ ওইবা শমগী মাঙনীংঙাই ওইরবা শম্পুগী মহুত্তা, ইপা ইপুনা থিবা য়াবা থিজিল্লবা মতুংদা টাইম টেষ্টেট ওইরবা শমদা নত্তনা মায়দা মায়হিং কাহন্দবা, পূক্লিং হকচাংসু নুংঙাইনা থম্বা ঙল্লবা চেঙহী ওইনা শীজিন্নরসি। চেঙহী মচল থিবগী অমদি লোনবগী অৱাবা কোক্লবা রেদিমেদ ওইনা বোট্টুলদা মওং তানা হাপ্লবা, লেব টেষ্ট তৌরবা, প্রিজাবেটিভ হাপ্তবা, নুমিৎ ৬০ হেন্না থম্বা য়ারবা, শঙাইপ্রৌ এফ সী আই গোদাউন রোদতা লৈবা ইমা চেঙহী হায়বা আই সী এ আরগী সাইন্টিষ্টশিংনা প্রমোট তৌবা ত্রেদিসনেল মণিপুরী হার্বেল শম্পু অসি চৈরাওবা নুমিত্তা লুজদুনা ঐখোয় পূম্বগী কোক নোংমতা ওইরবসু, ঈংহনবা ঙমগনি হায়জনীংই।

চৈরাওবা নুমিত্তা চেঙহী লুজদুনা মথেল লুকোয় শুনা থোংদুনা পূক্লিং নুংঙাইনা চামিন-থকমিন্নদুনা ঈং তপ্পা নুংঙাই-য়াইফবা খুন্নাই অমা ওইরসনু হায়না তাইবঙ মপুদা নিজরি।

*অদোমগী - ক্ষেত্রিময়ূম বেবিলি (নুজা লৈমা)*
*লংথবাল কুঞ্জ*

## ফিশা-লোনশা তৌবশিংগী শেন্মীৎলোন ফহল্লক্লবা লম্বী

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

পাওনা বজারদা লৈবা পান্থোইবী ইম্পোরিয়মদা লমদম অসিগী স্কুলগী য়ুনিফোর্মশিং অসি লমদম অসিদা শাজবা ফিনা তুদুনা ফংহনবা হৌরত্তুনা ফিশাবীশিং, ফুরিৎ-ফিরোল তুরিবশিংদা শেন্থোক হেন্না লাক্লবা লম্বী অমা য়াৎপীবা হৌরে। মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদনা শীন্দুনা হৌদোকখ্রে। লোয়ননা হায়রিবা য়ুনিফোর্মশিং অসিগী শো রুম অমসু কোর্পোরেসন অসিগী চ্যেরমেন এস অচৌবনা হাংদোকখিবসু লৈখ্রে। অসুম্না কোর্পোরেসন্না শিল্লক্লিবা থবক অসিদি লমদমসিগী ফিশাবীশিং, ফুরিৎ-ফিরোল তুরিবশিংগীদি য়াম্না লাইবক ফবনি।

স্কুল মহৈরোয়শিংগী মমা মপাশিংনা স্কুলগী য়ুনিফোর্ম লৈবা হায়বসিসু থবক ওইনা লৌনদবা নত্তে। অদুগীসু মথক্তা সিজন মতমদদি কোন্নদদুনা দুকানশিংদা লৈবা ফংনদবা মতাং য়াওদবসু নত্তে। অদুগা অমুক লৈত-লায়র ইমুংগী মচা মশুশিংদি স্কুল য়ুনিফোর্ম মপূং ফানা শেৎপা ফংদবসু অদুম্মক য়াওই। অদুবু গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং মরু ওইনা প্রাইমারি অমসুং অপ্পর প্রাইমারি/জুনিয়র হায় স্কুল থাক্কী মহৈরোয়শিংগীদি মিংজলশেল, য়ুনিফোর্ম, লাইরিক, স্কুল বেগ অমসুং মিদ দে মিল ফাওবনচিংবসি লোয়না ফ্রী ওইরে। শেল অমত্তা তিংদ্রে। অসিগুম্বা থৌরাং অসিদি লৈঙাকপু থাগৎতবা ঙল্লোই।

স্কুলগী য়ুনিফোর্মশিংদা লমদমসিগী ফিনা তুদুনা শীজিন্নবা হৌহল্লবদি লমদমসিগী ফিশা-লোনশা তৌদুনা হিংজরিবশিংনা শীনফম অসিদা হেন্না মায় ওনশিনহন্নবগী মরম অমসু ওইরক্লি। এম ঐচ ঐচ দি সী এল (মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ) না পায়খৎলক্লিবা থবক অসিনা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা লমদমসিগী শেন্মীৎলোন চাও-খৎহন্নবগীদমক মতেং কয়া তৌদুনা লাকখিবদুগী মতুংইন্না লমদমসিগী ফিনা তুবা য়ুনিফোর্মশিং ফংহনবসিনসু শেন্মীৎলোন্দা চাউনা মতেং ওইগদৌরিবনি অমসুং মীয়ামদসু কান্নহনগদৌরিবনি।

কোর্পোরেসনগী চেয়রমেন এস অচৌবনা ফোঙদেকাখিবদদি, য়ুনিফোর্ম সেট অমদা ওফর ওইনা লুপা ২৯৫দা ফংহনগনি, চৎলিবা এপ্রিল থা অসিগী ওইনা। মপানগী মিলদগী পুথোকপা অমসুং পুশিল্লকপা ফিনা তুবা ফুরিৎ-ফিরোলশিংগী মমলগা চাংদম্নদুনা মীয়াম্না লৈবা ঙম্বা চাংদা ফংহনগনি অমদি লমদমসিগী ফিশা-লোনশা তৌরিবশিং, ফিরোল তুরিবশিংনা অহেনবা খূৎশুমলগী মমল থিদনা ফংহল্লিবসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। পান্থোইবী ইম্পোরিয়ম পাওনা বজারদা কোর্পোরেসন অসিগী লোকল-ভোকেল-গ্লোবল হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরমশিংগী মনুং চন্না হৌদোকখিবনি।

কোর্পোরেসন্না পায়খৎলকখিবা থবকসি য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি। হৌজিক পান্থোইবী ইম্পোরিয়মগী শো রুমদা ফুরিৎ অঙৌবা, স্কর্ট অমসুং খোঙগ্রাওগীনা অমুবা মচুগী ফংহল্লি অদুগা হান্নদগীসু টি জি স্কুল অমসুং জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী মহৈরোয়শিংগীসু য়ুনিফোর্মগী ফনেকশিং পান্থোইবী ইম্পোরিয়মদা থম্বা হৌখ্রে হায়নসু কোর্পোরেসন, টেক্সটাইলগী দিরেক্টর কে লমলি কামৈনসু হায়খি। ফি শানবা লংশিং মপান্দগী পুশিল্লকপনা লংগী মমল তাঙনা লৈনরিবসি কোক্লবা লমদমসিদা ওইনা লং পুথোক্লবগী পান্দম থল্লিবদু মায় পাকহন্দুনা ফিশা-লোনশা তৌজরিবশিংদা খরা হেন্না কান্নবা ফংবা ঙমহনবীয়ু।

*অদোমগী - মোইরাংথেম দিনকান্ত, ফুবালা*